ইরৈবাক

২১ শুবা চহি ৫৭ শুবা মশিং ইম্ফাল, মার্চ ২৬, ২০২৩ শজিবু ৫ নি পানবা নোংমাইজিং www.ireibak.in লুপা ২.০০

## অয়াবা লৌগদবনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ কৌব্রু চীংদা লাই খুরুম্বা লাকপা অমদি ট্রেক্কিংগী লাকপশিংনা কাংপোকপি ফোরেষ্ট দিভিজনগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না দিভিজন অসিগী দি এফ ও না ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না চহি অসিগী হৌখিবা জনুৱারি ২৬ তা থোকখিবা নোটিশ অমদা মৈহৌ লাংপোক্কী সিজন অসিদা চীং কাবদা থমখিবা অথিংবা অদু হৌজিকসু চৎনরি। মরম অদুনা কৌব্রু চীংদা লাই খুরুম্বা অমদি ট্রেক্কিংগী লাকপশিংনা কৌব্রু বেজ কেম্প অমসুং মাংজোন দা লৈরিবা ফোরেষ্ট দিভিজনদগী অয়াবা অদু মাংজৌননা লৌগদবনি হায়রি। অধার কার্দ, ভোত্তর কার্দনচিংবা য়াওগদবনি হায়রি।

বি জে পি লৈঙাক্লা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা চথরকপা থৌওংবু কংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা

# বি জে পি লৈঙাক্কী পোলিসিদি অরানবা তৌবনা এৱার্দ পিবা, অচুম্বা ঙাংবনা জেলদা থম্বনি – মেঘচন্দ্র

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ বি জে পি লৈঙাক্কী পোলিসিদি ইন্দিয়াগী প্রিএম্বলদা য়াওরিবা সেক্যুলারিজমগী মহুত্তা কেপিটেলিজমনা মহুৎ শিন্নবা হোৎনবনি। অচুম্বা ঙাংবনা জেলদা থাজিনবা অদুগা মীয়ামগী লন মরন্নাই ওইনা শিজিন্নদুনা অরানবা তৌবশিংনা ফাইব ষ্টার হোটেলদা থম্লগা এৱার্দ পিবনি হায়না মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতি (এম পি সি সি) গী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র এম এল এ না হায়খ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনগী রিশাং কৈশিং মেদিয়া সেন্টরদা পাউমীশিংগা উনবদা মেঘচন্দ্রনা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হন্দক সুরট কোর্টকী ভর্দিকতা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিদা শিরিবা মরাল অসি নোর্মেল ওইদবা, দেমোক্রেসি লৈতবা, অরানবা তৌবনা এৱার্দ পিবা অদুগা অচুম্বা তৌবনা জেলদা চংবা হায়বদুনি। কোর্টকী ভর্দিক পিবগা লোইননা রাহুল গান্ধিবু লোক সভাগী এম পি দগী দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অসি লোগী প্রোসিদ্যুর লৈতবা, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, রাহুল গান্ধিনা ইলেক্সন কেম্পেইন্দা মোদি কম্ম্যুনিতিগী ৱাফম পনখিবা লৈতে। রাহুল গান্ধিগী স্পিচতা ললিৎ মোদি নিরভ মোদি অমদি নরেন্দ্র মোদি হায়না পনখি। মোদি গ্রুপকী অপুনবা অমদি ও বি সি গী মতাংদা পনখিদে। ললিৎ মোদি অসি ও বি সি নত্তে। অৱাংবা থাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াম্না চান্নবা মরুপ্পি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মীয়ামগী য়ান্নবা শেনফম মাংহনখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থিজিন্দ্রে হায়বনি।

মহাক্লা হায়, ললিৎ মোদি অমদি নিরভ মোদিনা মপান লৈবাক্তগী অতাংবা মখলগী অকে অমৌশিং পুশিল্লক্কনি হায়দুনা লেত্তর ওফ অন্দরটেক্কিং শারগা অরানবা মওংদা পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ক অমদি ইন্দিয়ান ওভরসিজ বেঙ্কতগী মথংশিংনা লুপা ক্রোর ১৪,০০০ লুপা ক্রোর ১১,৪০০ লৌথোকখি। লাইরবা মীয়াম্না এল আই সি অমদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা থমজবা শেনফম বি জে পি লৈঙাক্লা অদানি গ্রুপ্তা ইনভেষ্ট তৌখি। এল আই সি পোলিসি হোল্ডর ক্রোর ২৯ রোমগী য়াম্নবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩৩,৬৬০ অমদি ষ্টট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী একাউন্ট হোল্ডর ক্রোর ৪৫ রোমগী লুপা ক্রোর ৮০,০০০ রোম লৈঙাক্কী পৱারদা ইনভেষ্ট তৌখিবা অদু নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা থিজিন্দ্রে। করিগী এক্সন লৌখৎত্রিবনো হংলুবনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা কোর্টতা দিফেমেসন থাঙ্গৎলকখিবা লৈতে। দিফেমেসন থাঙ্গৎলকখিবা অসি হান্ননা শেম শারগা তৌরকখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা পার্লিয়ামেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি অদানি গ্রুপকা লৈনরিবা মরি অসি করিনো হায়দুনা পুখৎলুবদা মালেমদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা রুল্লিং পার্টিনা ইরাং হৌরি। সেক্যুলরিজম লৌথোক্তু না কেপিটেলিজমনা মহুৎ শিন্নবা হোৎনরি। দেমোক্রেসিগী মহুৎ দিটেক্টরনা শিন্দুনা ক্রোনিক কেপিটেলিজম শাগৎলি। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি অসি চাইনা ম্যান্মারগুম্না দিক্তেটরসিফ চল্লাইরি। সি বি আই গুম্না অসি পেরেলাইজ ওইরে। পোলিটিকেল পার্টি অমনা, লিদর অমনা পাল্লিবা অদু তৌনবা হোৎনবদা ওপোজিসন্দা কিহল্লি।

সুরটকী কোর্টনা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা তাখিবা ভর্দিক অদু চৎনহল্লোই হায়বসি কংগ্রেসকী থাজবনি। দিসক্কালিফাইদ অদুসু চৎনহল্লোই। রাহুল গান্ধিনা অরানবা তৌখিবা লৈতে। দেমোক্রেসি কন্নবা কংগ্রেস পার্টিনা লাওখিগনি হায়খি।

## ম্যান্মার লান্মীনা পি দি এফ কী কেম্প মৈ থাখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ ম্যান্মার লান্মীনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর মনাক্কী ক্বাথা খুনৌ মনাক্তা লৈরিবা ম্যান্মারগী লালহৌবা পিপল দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) কী কেম্প অমা ঙসি অয়ুক খুদুম চনশিন্দুনা মৈ থাখ্রে। মনিপুর লৈঙাক্লা ক্বাথা খুনৌ খুল অসিদা সেক্যুরিতি থমদুনা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎতবদা খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ৱাফম কয়ামরুম ফোংদোরক্লি।

থা অসিগী ২৩ দগী ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১, ক্বাথা খুনৌ খুলগা নক্কনা লৈরিবা ম্যান্মারদা লাল হৌরিবা পি দি এফ কী কেম্প অমা ম্যান্মার লান্মীনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমদি হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা বোম থাদখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ম্যান্মার লান্মীনা ম্যান্মার রোম থংবদা লৈরিবা পি দি এফ কী কেম্পতা মশিং থিঙমদনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরু কাপশিনখি। মদুগী মতুংদা কেম্প অদু খুদুম চনশিন্দুনা মৈ থাখ্রে। হায়রিবা কেম্প অদুবু ম্যান্মার লান্মীনা মৈ থাদুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদু ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর মনাক্তা লৈরিবা ক্বাথা খুনৌগী খুঞ্জাশিংনা উবা ফংখি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ক্বাথা খুনৌগী খুঞ্জাশিংনা মনিপুর লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংদা খুল অসিদা সেক্যুরিতি থাবিরক্লবা খংহনখিবা লৈরবসু সেক্যুরিতি থারক্ত্রি। ঙসি পাউমী কাংবু অমনা রিপোর্ট লৌননবা চংশিন্দুনা য়েংলুবদা ক্বাথা খুনৌ খুল অসিদা ঙাক শেন্নবা সেক্যুরিতি অমত্তা লৈরমখিদে। খুল অসিগী খুঞ্জা নুপী অমনা পাউমীশিংদা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না বোর্দর নক্লা লৈরিবা খুল অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ম্যান্মার রোম থংবা শরুক্তা ম্যান্মার লান্মী অমদি ম্যান্মারগী লালহৌবশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা নত্তনা হেলিকোপ্তর অমদি ফাইটর জেট শিজিন্নদুনা বোম কয়া থাদরকপদা খুঞ্জাশিং অকিবা ফাওদুনা ঙসি ফাওবা তুমফম চাফম খংদনা ৱানা লৈরি।

মসিদা থৌদোক অসিগী মতাংদা মনিপুর লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংদা খুল অসিদা সেক্যুরিতি থাবিরক্তু না ঙাক শেনবিনবা হায়খিবা লৈখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা ষ্টেট সেক্যুরিতি ফোর্সনচিংবা খুল অসিদা থারক্তবদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোরকখি। নাকল অমরোমদা চিফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবদা ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা উংখৎনবা অসিদা মনিপুরগা বোর্দর এরিয়া কামজোংদগী চুরাচান্দপুর ফাওবা সেক্যুরিতিনা ফুট পেট্রোলিং চৎলি হায়খি।

## লাম্মৈ চাকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা চীংদা লাম্মৈ চাকপগী চাং হন্থরুরবা মতুংদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ককচিং রেঞ্জগী মনুং চনবা টেকচম মনিংদা লৈবা সনজি চীংদা ঙরাং নুমিদাং খংহৌদনা লাম্মৈ চাকখ্রে। ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা ফয়ার সার্ভিস, পুলিস অমদি মীয়ামগা লোয়ননা মতম চানা কলহৌবদগী য়াম্না কা হেন্না অমাং অতা থোকহৌদ্রে। লাম্মৈ অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদগী চাক্লকপনি। মীয়াম্না উন্নরকপদগী পাউ পিনদুনা থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জ অমদি ককচিং রেঞ্জগী ষ্টাফশিং চংশিন্দুনা লমজিংবা ক্লবকী মেম্বরশিং, অমসুং মীয়াম্না মৈ অদু কন্নবা হোৎনখি। ফয়ার সার্ভিস অমসুং খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমসু লাক্তুনা মৈ অদু নুমিদাং পুং ১১রোম তাবদা কনবা ঙমখি হায়রি।

# পুলিস ষ্টেসন ৪ গী এরিয়াদগী অফসপা লৌথোকখ্রে দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ শাংদোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ আর্মদ ফোসেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট (অফসপা) ১৯৫৮ গী চৈথেং ফংদুনা লাক্লবা মনিপুরদা সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্লা নৌনা পুলিস ষ্টেসন ৪ না কোনবা এরিয়াদগী অফসপাগী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখ্রে। দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখিবা পুলিস ষ্টেসন ১৯ শুরে। পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোন্দবা মফমশিংদা মখা তানা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ শাংদোকখ্রে। অফসপা মখা তানা লৌথোরকপা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিৎ শাহবু চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

অফসপা ১৯৫৮ গী সেক্সন ৩ গী মখাদা ঙসি সেন্টরনা নৌনা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখ্রবা পুলিস ষ্টেসনশিং অদুদি লৈমখোং পুলিস ষ্টেসন, নম্বোল পুলিস ষ্টেসন, মোইরাং পুলিস ষ্টেসন অমদি ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন্নি। হান্ননা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন, লম্ফেল, সিতি, শিংজমৈ, সেকমাই, লমশাং, পাৎশোই, পোরোম্পাৎ, হৈঙাং, লম্লাই, ইরিলবুং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমদি জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনশিংদগী দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস অসি লৌথোকখ্রবনি। দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখ্রবা পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোল্লিবা মফমশিং অসি নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস অসি মখা তানা থা ৬ শাংদোকখ্রে। মসি লাক্লিবা এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌগনি হায়না মনিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার হোমনা গভর্নরগী মীংদা ঙরাং নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

পুলিস ষ্টেসন মরিনা কোনবা মফমশিংদগী নৌনা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকখিবা অসিগা মরি লৈননা ঙসি নুংথিল চিফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েৎতা পাউমীশিংগা উনবদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খিবদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদ মরু ওইনা মনিপুরদা অফসপানা মীয়ামদা অৱাবা কয়া নংখি। অফসপা লৌথোক্লবা মীয়াম্না রেল্লি চৎপা অমদি ৱাকৎ মীফম্নচিংবগী খোঙজং চংশিনবদা অশোক অপন কয়া নংখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্কী অহানবা অমসুং অনিশুবা টার্ম অসিদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াখক্তদা অফসপা লৌথোক্লম্বা অদু হৌজিক্তি পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোল্লিবা মফমশিংদগী লৌথোকখ্রে।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়, বি জে পি গী লৈঙাক অসিনা মনিপুরগী মীয়াম্বু মীওইবগী লমচৎ ব্যবহার ঙাকপা অমদি ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা পুলিস ষ্টেসন ১৫ দগী অফসপা লৌথোকখিবা অদুগী মতুংদা মীয়াম্না হায়নরুবা অমদি তক্লরুবা তৌদনা পুলিস ষ্টেসন ৪ না কোনবা মফমশিংদগী দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস অসি লৌথোকখিবনি। মসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিৎ শাহবু মনিপুর মীয়াম অমদি মনিপুর লৈঙাক্কী মাইকৈদগী তৌবিমল খংবা উৎলি। নোর্থ ইষ্টতা শান্তি হঞ্জিল্লকপা অমদি মখা তানা হঞ্জিল্লক্লবা অফসপা অসি লৌথোকখিবনি।

সেন্টরগী লৈঙাক অসিনা মনিপুরদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা নত্তনা লমদমসিগী মীয়াম্বু ইকাইখুম্নৈ হায়বদু তাক্লে। মনিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহন্দুনা অয়াবা য়াওদনা মনিপুরদা চংবা য়াদবগী রাইট অদু পিরি। মনিপুরগী ইন্দিজিনিয়স ফুরুপশিং কঞ্জনবা থবক পায়খৎলি। লোইননা ঐখোইনা খল্লদ্রবা, ঙসিগী মীরোলনা কাওগে তৌরুরবশিং বি জে পি গী সেন্টরগী লুচিংবশিংনা নিংশিংহল্লি। মতম অমদা মনিপুরগী নিংখা তম্বা হঞ্জিন্নবা বৃটিশকী মথক্তা হৌখিবা লান্দা অন্দমান্দ নিকোবরগী কলাপানিদা লোই থাখিবা মনিপুরগী নিংথৌ কুল্লচন্দ্র য়াওনা অথৌবা ২২ গী মফম মাউন্ট হরিয়ট অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিৎ শাহনা মাউন্ট মনিপুর হায়না মমিং থোনখি। মনিপুরগী লুচিংবা রানি গাইদিনলিউ অমদি হিজম ইরাবতকী মমিংদা নিংশিং খুভম থম্নবা থবক সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্লা পায়খৎলি হায়খি। পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সাপম রঞ্জন অমদি কম্মিস্নার (হোম)সু শরুক য়াখি।

## য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবা থবক পায়খৎকনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ মনিপুরগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবা থবক পায়খৎকনি। য়েলহৌমীশিং য়োল্লগা থবক খক তৌরোই। হিরম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী কমপ্রোমাইজ খক তৌরোই। মনিপুরগী মপান্দগী চংলকপা মনিপুরবু মাংহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা লৈগনি হায়না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি মহিলা মোর্চা মনিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাদেমিদা পাংথোকপা সুস্মা স্বরাজ এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খিবনি। থৌরম অদুদা বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সরদা, বি জে পি মহিলা মোর্চা মনিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এল লোতিকা, বি জে পি গী ষ্টেট সেক্রেটরি কে শরত, অমদি পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা লৈঙাক অসিনা কনাগুম্বা কম্ম্যুনিতি অমগী মায়োক্তা লৈতে। থবক তৌবসু লৈতে। কম্ম্যুনিতি পুম্নমক্কী য়াইফনবা থবক তৌই। মনিপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিতি ৩৫ গী অপুনবা অমা শাগৎতুনা ফেষ্টিবেল ওফ ৱাননেস হায়দুনা হন্দক পাংথোকখিবা অদুনি। মসিদা লোগী ৱাংমদা মনিপুরদা মপান্দগী চংলক্লগা মনিপুর কায়ননবা শিল্লকপদি য়ারোই। মদুগীদমক চপ চানা থেংনগনি। চিফ মিনিষ্টরগী ফম অসি পায়বসু য়াই পায়দবসু য়াই অদুবু য়েলহৌমীশিংগী ইজ্জৎ অমদি লম চপ চানা ঙাক শেন্দুনা থমগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা থবক তৌখ্রবা অমদি থবক তৌরিবী নুপী ৪১ খনগৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

বি জে পি গী লুচিংবা অমা ওইরম্বী সুস্মা স্বরাজ লৈবাক অসিগীদমক য়াইফনবা থবক তৌরম্মী। য়ুম্লোন্নবা মপান লৈবাকশিংগা অফবা মরি থম্নবা হোৎনরম্বা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অতাংবা লুচিংবা অমনি। ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী মিনিষ্টর ফাওবা ওইদুনা ইন্টরনস্নেল ফোরমশিংদা ইন্দিয়াবু অফবা মশক অমা শেমগৎলমখিবা লুচিংবা অমনি। লমদম অসিগী নুপী লক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপনি। অফবা পোলিটিসিয়ান শেমগৎনবা নহা ওইরিঙৈদগী অফবা লৈবাক্কী খনবা নহাশিং শেমগৎপা মথৌ তাই। বি জে পি লৈঙাক্লা মীপুম খুদিংমকপু চপ মান্নবা ইকাইখুম্নবা উৎলি।

## ব্রাউন সুগর ফাগৎলে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মঙাশুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৬ কী হাওলেনফাই ভিল্লেজগী এরিয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা মীওই অমা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা ম্যান্মার রোমদগী কেনবো বাইক অমা থৌরগা ইন্দিয়ারোমদা চংশিল্লকখি হায়রি। অসাম রাইফলসকী কাংবু অদুনা মীওই অদুনা থৌরক্লিবা কেনবো বাই অদু খাম্নবা হোৎনবদা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা ম্যান্মার রোমদা চেনশিনখ্রে হায়রি। অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা চংশিন্দুনা য়েংলুবদা প্লাষ্টিক খাউ অমদা সাপোন কেপ ৩৭ য়াওরমখি। সাপোন কেপশিং অদু য়েংলুবা মতমদা ব্রাউন সুগর কে জি ১.৫৩৬ লোম য়াওরমখি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## ককচিংগী মীয়াম্বু নুংশিবদগী শেমগৎ শাগৎপা ঙম্লিবনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা তেল্লবা চহি খরা অসিদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক কয়া পায়খৎলক্লিবা অমদি প্রোজেক্ট কয়াগীদমক সেঙ্কসন তৌরক্লিবা অসি মনিপুর লৈঙাকপু লুচিংলিবা চিফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিংনা ককচিংগী মীয়াম্বু নুংশিবিবদগীনি হায়না ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হায়খ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ওফিস ককচিংনা শিন্দুনা মনিপুর ওল্ড এজ পেন্সন কার্দ অমদি চিফ মিনিষ্টর ৱিদো পেন্সন স্কিম কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ না ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। ককচিংদা ফম্মুং ১০০ লৈবা কোভিদকী হোস্পিটাল অমা পিরকপদগী ঙসিদি শেমদোক শাদোক্লগা ফম্মুং ১০০ লৈবা জেনরেল হোস্পিটাল অমা ওইনা শেমগৎপা লোইরে। অথুবা মতমদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শান্ননবা চিফ মিনিষ্টর অমসুং হেলঠ মিনিষ্ট্রিদা হায়জরুবদগী প্রোজেক্ট থাবিদুনা লুপা ক্রোর ৫৩.৩৫ সেঙ্কসন তৌরক্লে। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা থক্লবা ঈশিং ফংদবা মফম কয়া লৈরম্বা অদু মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দেবলপমেন্টকী মখাদা অমুরুট টু গী মখাদা লুপা ক্রোর ২৯.৫ গী স্কিম অমা সেঙ্কসন তৌরক্লে। মরম অদুনা ঈশিং নিংথিনা ফংদনা লৈরিবা ককচিং ৱাইরি অমসুং ককচিং ইরুম মপান্দা ওভর হেদ টেঙ্ক অমমম শাদুনা অমদি হান্নগী ককচিং ৱাটর সপ্লাইগী লৈরিবা রিজার্বরশিং চাওথোকহন্দুনা ঈশিং নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনরি। মতম শাংনা শেম্বীরক্ত্রবা ককচিংগী লম্বীশিং শেমজিন্নবা হোৎনরি হায়খি।

## মরি লৈনদে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি মিলিটরি ইন্টলিজেন্টকী অপুনবা কাঙবু অমনা থা অসিগী ২৪ দা ফারে হায়রিবা মোইরাংথেম আর্জুন চহি ৫১ অপোকপা এম নিংথৌ থৌবাল খুনৌ ময়াই লৈকায় অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এ গা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনদে হায়না আর পি এফ কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পল্লিসিতি বঙ্কিমগী চেরোলদা হায়রি।

# রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগা মরি লৈননা য়াইফ পাউজেল পিরক্লি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ প্রিপাক্কী খুৎলাই পায়বা লান্মী শঙলুপ রেদ আর্মিগী ৪৩ শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে মার্চ ২৬ নোংমাইজিং নুমিৎতনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লোই মপু ইন্দিয়াগী লৈঙাক মখাদা লোইলম চৈনা খাংলিবা ইরমদমগী ইরৈচা পুম্নমক্তা ইন্টরিম কাউন্সিল প্রিপাক্কী চিয়ারমেন্না য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোইননা নিংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজে পিরক্লি। কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমদা নিংতম য়াওল তৌমিন্নরিবা ৱাখল্লোন মান্নবা নিংতম য়াওল্লুপশিংগী লান্মী শঙলুপ পুম্নমক্তসু নিংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পিরি। অসিগুম্বা কংলৈপাক্কী য়াওল ইহৌগী পুৱারিদা শিংথানিংঙাই ওইরিবা নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা লৈবাক মীয়ামদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

আইন্না থিংখ্রবা রেদ আর্মি, প্রিপাক্কী ইন্টরিম কাউন্সিলগী চিয়ারমেন অহৈবা অঙোমগী চেরোলদা চহি ২০০০ হেনবগী নিংতম্বগী পুৱারি লৈজরকপা এসিয়ান সোভরেন ষ্টেট কংলৈপাকপু লম করাম্বা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমদুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনশিনখিবদগী ইন্দিয়াগী শুপ্নম লৈঙাক অসিবু ইরমদমগী লৈমাইদগীদা নত্তনা মালেমগী মফম পুম্বদগী মতম চুপ্পগী ওইনা মরু ফংনা ফুক্তৎনবা প্রিপাক্লা ৱাখল পান্দম মান্নবা ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা মাংখ্রবা ইরৈবাক্কী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লান্থেং অসিদা প্রিপাক্কী লান্মী শঙলুপ রেদ আর্মি (আর এ) না লুপ অসিগী অমসুং কংলৈপাক মীয়ামগী থৌদা পুদুনা অৱাবা অমদি খুদোংথিবা থৌদোক কয়া করিসু নাচুংদনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোন্থা পিদুনা ইরৈবাক্কী নিংতম্বা চাওখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই হায়বা পম্বুংদু য়ৌনবা হনবা লৈতনা মাংলোমদা চংশিল্লিবা অদুগীদমক চাওথোকচৈ। ৪৩ শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং থৌরম লাকপসিদা রেদ আর্মিশিংগী মফমদসু য়াইফ পাউজেল পিরি।

ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু মখোইগী লমগী ফিবানুংদা নমতিন তিনশিনখ্রবা মতুংদা ইরমদম অসি মীহৌরোলদগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লাকখিবা, অদগা কংলৈপাক্কী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা মীয়ামগী লময়ানবা হিজম ইরাবোৎকী মতমদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তনা চংশিল্লক্লিবা নিংতম য়াওল ইহৌ অসিবু ইন্দিয়ানা কা হেন্না থবক তৌবা মীওই খরগী থবক ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখোইনা লমদমসিগী য়াওলল্লোইশিংবু এক্সট্রিমিষ্ট, তেরোরিষ্টনি হায়না অরানবা মীংথোল পিশিল্লি। ইন্দিয়াগী মথক্তা নিংতম ইহৌ তৌবা লৈতে হায়না মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

মখোইগী থৌরাং অসি ওইরোইদবা মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্মবা হোৎনবনি। প্রিপাক্লা লমদমসিদা লেপ্পা লৈতনা চত্থরিবা নিংতম য়াওল ইহৌ অসিদি লোই মপু ইন্দিয়ানা লৈবাক মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা লান্মীগী মতিক মঙম শিজিন্নরগা নমদুনা লৌখিবা ঐখোইগী নিংতম্বদু অমুক হঞ্জিঞ্জগে হায়বনি। মতিক মঙম লৈত্রবা কংলৈপাক্কী নিংথৌবু নোংমৈ চিন্দোলদা খুয়েক পিহনখিবা ইরৈবাক্কী লো অমসুং ইন্টরনেস্নেল লোনা য়াদবা, ইন্দিয়াগী খুৎশেমগী য়ান্নচে অদুদা নিংতম্বা কংলৈপাক্কী মতমদুদা লৈরম্বা মীয়াম্না মীখল পাংথোক্লগা শেমখিবা নেস্নেল লেজিস্লেচর অদুনা অয়াবা পিখিদে। রিফরেন্দম নৎত্রগা প্লেবিসাইট অমা তৌদুনা কংলৈ মীয়াম্মা অয়াবা পিখিবসু লৈতে হায়রি।

ইন্দিয়ানা থৌনা ফবা থম্মোইশেংবা অমদি দেমোক্রেসিদা চেৎনা থাজবা লৈবাক অমা ওইরবদি কংলৈ মীয়াম্না ইন্দিয়াদগী তোখায়না নিংতম্না লৈনিংব্রা নৎত্রগা ইন্দিয়াদা অসুম লৈনিংব্রা, বাইলেটরেল এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা লৈবাক অনি মরি লৈনদুনা হিংমিন্নসিরা হায়বা মীয়ামগী অপাম্বা খংদোক্নবা প্লেবিসাইট নৎত্রগা রিফরেন্দম অমা হৌজিকসু পাংথোকপা য়াই। মালেমদা লৈরিবা মুক্লবশিং লোইশিনবদা ইন্টরনেস্নেল কম্ম্যুনিতিশিংনা ষ্টেন্দার্দ ওইনা শিজিন্নরিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙথাং অসিবুদি ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি হায়রি। (মখা লমাই ৩ দা)

## দেমোক্রেসি লৈখা তাহনবনি – সি পি আই

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ সি বি আই, ই দি, এন আই এ অমসুং ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টপু লান্না শিজিন্নবা থিংননবা অমদি অদানিগী ৱাথোক জে পি সি দা শিন্ননবা পার্লিয়ামেন্টকী ওপোজিসন লুচিংবশিং সি পি আই গী নহা ওইরিবা এম পি শিং য়াওনা ঙরাং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপতি মুরমুরগা ৱারি শান্ননবা বিজয় চোক্তগী রাষ্ট্র পতি ভবন তম্না চৎপগী লম্বীদা দিল্লি পুলিসনা অথিংবা পিবগা লোয়ননা ওপোজিসন লুচিংবা ৩০ রোম ফাজিনখিবা অদু সি পি আই মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোলদা থৌওং অসি দেমোক্রেসি খোঙ্গোইনবনি। নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী ওপোজিসন লুচিংবশিংগী মচিন মেন্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্সটিট্যুসন ওইরিবা সি বি আই, এন আই এ, অমসুং ইনক টেক্স দিপার্টমেন্টপু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নবা লেপ্ত্রি। সুরটকী কোর্ট অমনা তাখিবা ৱায়েলদা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু মরাল লৈরে লাওথোকখিবগা লোয়ননা এম পি ওইহনখিদবা অদু দেমোক্রেসি শিংনবগী ময়েক লারবা খুদমনি। থৌওং অসিনা লৈবাক অসিদা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন কয়াগী তুংদা ওইরক্কদবা ফিভম তম্বা ঙমহন্দ্রে। অদানিগী ৱাথোক জে পি সি দা শিন্ননবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা দাবি তৌদুনা লাক্লিবনি।

ক্বাথা খুনৌগা নক্কনা লৈবা ম্যান্মারগী ঙমখৈদা পি দি এফ কী কেম্প মৈ থাদোকখিবা

পুলিস ষ্টেসন ৪ না কোনবা মফমশিংদগী অফসপা লৌথোকখিবদা সেন্টরগী লৈঙাকপু চিফ মিনিষ্টরনা থাগৎখিবা

তেকচম মনিংদা লৈবা সঞ্জি চীংদা লাম্মৈ চাক্লকপদগী ফোরেষ্ট অমদি ফয়ার সার্বিসনা লাম্মৈ কনখিবা